# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 14-06-2026)

**খেমচান্দ(এল)ঃ** মখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা লুচিংদুনা নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন.দি.এ) গী এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং মহাক্কী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মীফম অদুদা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখি। সরকার অসিনা মনিপুরদা শান্তি, তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্দুনা মীয়ামগী চাউখৎনবা হোৎনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি। মীফম অদুদা রাজ্য সভাগী সদস্য ওইনা খল্লবী অধিকারিময়ুম সরদা দেবীবু তরামা ওক্লদুনা মহাকা সভাগী সদস্য ওইরিঙৈ মনুংদা মায় পাকা থবক পাঙথোক্কনি হায়বগী আশা ফোংদোকখি।

**ভিজিট (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট-ওক্রম ইবোবী সিংহনা লুচিংবা কাংবু অমনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী মখান খুলদা চৎতুনা ফাদুনা পুখ্রগা শিনা ফংখিবা মীওহ তরুক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা দলগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা তেংবাং পুমমক পীগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। মীহুৎ কাংবু অদুদা মনিপুরগী থবক পুরিবা এ.আই.সি.সিগী সেক্রেটরি-খৃষ্টোফর তিলক, সি.ডল্লিয়ু.সি. মেম্বর-গাইখাঙম, এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট-ভিক্তর কৈশিংনচিংবা য়াওখি। শ্রী খৃষ্টোফরনা ৱাফম অদুগী মতাংদা লাক্লিবা সংসদকী মীফমদা পুখৎকনি হায়নসু থাজবা পীখি।

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ তগী ভারত্তিয়া নাগরিক

সুরক্সা সনহিতাগী ধারা ১৬৩ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা হুকুম অমদা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাদা শান্তি অমসুং মীয়ামগী তংদু লৈতাবা ফিভমদা কায়হল্লকপা য়াবা, পুন্সি অমদি লন-থুম অমাং অতা থোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী অথিংবা অসি থম্বনি। অথিংবা অসিগী মখাদা মী মঙা নৎত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা খুৎশু খুৎলায়শিং পুদুনা চৎপা, মীয়ামগী রেল্লি, মীতিং, সিট ইন প্রোটেষ্ট অমদি ধরনানচিংবা পাঙথোকপা য়ারোই। মসি মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপ্র পুলিসনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদগী টাটা সুমো অমা চেক তৌবদা সাপোন কেপ ২৬ তা হাপ্লন্বা হেরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলমগা কোন্ননা মীওই অনি ফারে।

ফারবা মীওই অনি অদু অমনা সেনাপতি জিলাগী মোটবুংগী চার হজারদগীনি অদুগা অমনা উখ্রুল জিলাগী হুংপুং খুলদগী জ্বিনাইন ওইরিবা অঙাং অমনি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** অসামগী জোরহাটতা ঙরাং ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী ইয়ারক্রাফট অমা কায়বদা লৈখিদ্রবা ইয়ার ফোর্সকী পার্সোনেল মঙাগী মফমদা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা রাজ্যপালনা হায়-মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা ইয়ার ফোর্সকী মীওই মঙা অদুগীদমক জাতি অসিনা অৱাবা ফোংদোক্লি অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনসু ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগীদমক থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মখোয়গী থৌনা লিংজেল অমদি লৈবাক্কীদমক

পাঙথোক্লন্বা থবকশিং মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

**ৱার্কশোপ(এল)ঃ** লাই হরাউবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং কলেজতা পাঙথোক্কনি।

কোসমোপোলিটান কলচরেল ইন্সটিট্যুটনা শিনবা ৱার্কশোপ অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা অথোইবা অতিথি ওইনা শরুক য়াগনি।

**লীলা(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরিবা ৫২ শুবা মনিপুর পুম্বগী শুমাং লীলা অথোই অহেন চাংদমবগী নুপা কাংলুপকী ৯ শুবা নুমিৎতা ঙসি পিছমেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী ‘থোকপা ঙমদবা কিশি’ উৎকনি। ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা চথগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙরাং নুমিদাং ফ্রান্সকী নিস সহরদা থুংখ্রে। মহাকপু মফম অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্স অমসুং ইতালিগী আর্টিষ্টশিংনা শাবা কথক, ওদিসি অমসুং ভারত নাত্যাম জগোইসু য়েংখি। ঙসি প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-ইমানুয়েল মেক্রোনগা পুন্না ভারতকী স্তার্টঅপ অমসুং ইকো সিষ্টেম উৎপা ভারত ইনোভেটসু হৌদোক্কনি।

লুচিংবা অনিনা টেকোলোজি, ইনোভেসন, দিফেন্স অমদি ষ্ট্রেটেজিক এফিয়ার্স য়াওনা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎনবগী মতাংদসু ৱারী শান্নগনি। ফ্রান্সকী মথংদা প্রধান মন্ত্রিনা স্লোভাকিয়াদা চৎকনি।

প্রধান মন্ত্রিনা মহাকপু হরাউ তয়ামা ওকপীবগীদমক মফম অদুদা লৈরিবা ভারতমচাশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা

শ্রী মোদিনা থৌওং অদুবু নীংশিংনিংঙাই ওইরবা অমা ওইহৌরগনি হায়রি। মহাক া হায়-মফম অদু ভারত্তগী কিলোমিটর কয়ামরুম লাপ্লবসু মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগা ভারতকা মতম চুপ্পদা অচেৎপা মরি লৈনরগনি।

**গোল্ডঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্স (দি.আর.আই) না লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লোন্না সনা করবার তৌবা কাংবু অমা থুগায়খ্রে।

এজেন্সি অসিনা কোলকাতা অমসুং অগরতালাদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা লুপা কোতি ২৫ রোমগী ওইগদবা সনা কিলোগ্রাম ১৭ লোম ফাগৎখি।

দি.আর.আইনা ঙরাং কোলকাতাদগী নুপী অমা য়াওনা মীওই তরেৎ থাইলেন্দদগী পুরকপা সনা কিলোগ্রাম ১১ গ্রাম ৬০০ ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা এজেন্সি অসিনা অগরতালাদগীসু ভারত-বঙ্গলাদেস ঙমখৈ পরিংগী শরুক্তা সনা কিলোগ্রাম ৫ রোম লোন্না পুরম্বা মীওই অহুমশু ফাগৎখি। থিবা হুম্বগী থবকশিং অদু রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্স (আর.পি.এফ) কা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-ৱাশিংটন

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা হোম মিনিস্তর-অমিত সাহনা ঙমখৈ পরিং য়েংশিন্নবা মীফম পাঙথোকখিবা অমসুং দি.জি.পি. মুকেশনা বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়েংশিনখিবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-দেমোগ্রাফিগী অহোংবা য়েংশিন্নবা

কমিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে, ঙমখৈ এরিয়াদা চৎলগা থিজিন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাকখিবা খুৎশু খুৎলায়গী চাদা ৭০ দি লৌখৎপা ঙমলে, মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি হায়না দি.জি.পি. মুকেশ সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম দা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দি.জি.পিনা বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়না পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। য়েলহৌমীশিংগী মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

থৌবাল জিলাগী সঙাইয়ুম্ফম নুংফৌ মমাং লৈকাইদগী হেরোইন কিলোগ্রাম ১৮ রোম ফাগৎখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

খামেনলোক থৌদোক্কী অহুল্লক শুবা নীংশিং থৌরম নোংশুমদা পাঙথোকখিবগী পাউ সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ফার্মাসিগী শিনফম লৈবশিংবু প্রোটেক্ট হায়না মনিপুর ষ্টেট ফার্মাসি কাউন্সিলনা শিনদুনা পাঙথোকপা ৱাকৎ মীফমদা ফোংদোকখিবগী পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাগা তরুক লৈখিদববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা থল্লকখিবা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।